# নোর্থইষ্টকী লালহৌবশিং ম্যান্মার থাদোক্নুনা চংখিনবা খঙহনখ্রে

# ডা: মনমোহন সিংহ ইন্দিয়াদা হল্লকখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মে ২৯ঃ*** ম্যান্মার গবর্নমেন্টনা ইন্দিয়া গবর্নমেন্টকা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক্তা ম্যান্মারদা কেম্প শারগা লৈরিবা মরুওইনা মণিপুরগী লালহৌলুপশিং লাক্লিবা জুন ১০ ফাওবগী মনুংদা মশা মশাগী কেম্প অমসুং ত্রেনিং তৌফম পুম্নমক থাদোক্নুনা চংখিগদবনি হায়না ম্যান্মার গবর্নমেন্টনা খঙহনখ্রে হায়না পিটিআই না রিপোর্ট তৌরি।

মরকসিদা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা ম্যান্মারদা লৈরুবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ডা: মনমোহন সিংহ ঙসি নিউ দিল্লিদা থুংখ্রে হায়রি।

ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্ট পল্লদুনা পাউগী এজেন্সি অসিনা হায়, ম্যান্মারদগী মরুওইনা মণিপুরগী লালহৌবশিং চংখিগদবনি হায়বা ম্যান্মার আর্মিগী ওর্দর অদু প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা ইন্দিয়াগা যুমথংনরিবা ম্যান্মারদা নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎ চৎকদৌরিবগী মমাং মে ২৪ দা থোকখিবা ওর্দরনি হায়রি। হায়রিবা খোঙথাং অসি নে পি তো (Nay Pye Taw) মায়কৈদগী ইন্দিয়াগা মরুপ-মপাং ওইবগী অচেৎপা মরী অমা উৎলকপা ওইনা লৌনরি।

ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা খুৎলায় পায়বা কাদর লিশিং ২ রোম হেন্না লৈ হায়বগী ৱাফম এজেন্সিগী রিপোর্ট অসিদা পনবগা লোয়ননা মণিপুরগী পিএলএ অমসুং প্রিপাকনচিংবা লালহৌলুপশিংগী কেম্প ১২দগী ১৫ ফাওবা ম্যান্মার মনুংদা লৈরি হায়না পাউ অসিদা পল্লি।

লালহৌবশিং অসিনা য়েখাই থুগায়বগী থবক কয়া পাঙথোক্লুবগীদমক্তা মণিপুরদা ইতৎ তত্তনা চংশিল্লকই অমসুং সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা লৌখৎলকপা এক্সনদগী নাহ্লোক্লনবগীদমক ষ্টেট অসি থাদোক্নুনা চৎখি। ম্যান্মার আর্মিনা মণিপুরগী লালহৌলুপশিংবু নমদুনা মখোয়গী কেম্পশিং অদু থিংজিনহনবা তারবদি মদুনা ইন্দিয়াগী অৱাং -নোংপোক থংবা ষ্টেটশিং অসিগী সেক্যুরিটিগী ফিভমদা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্লগনি হায়না রিপোর্ট অসিদা পল্লি।

ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎলকপগা লোয়ননা ম্যান্মারদা লৈরিবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী অতোপ্পা লালহৌলুপশিংসু ম্যান্মারনা লৌখৎলকপা অকনবা এক্সন অমদি মদুগী চৈফু অদু মায়োক্লরকপা তাবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি ম্যান্মারগী খোঙচৎতা লৈখিবা প্রাইম মিনিষ্টর ডা: মনমোহন সিংহ অমদি ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট থৈন সৈন অনিনা টেরোরিজম অমসুং ইন্সরজেন্সিবু অমত্তা ওইনা থেংনমিন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রবনি। টেরর থেংনবদা মরুওইবা শক্লোন অমা লৌগদৌরিবা নাকল অনিগী সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং বোর্দর গার্দশিংগী মরক্তা তেংবাং পীনবগী চাং হেনগৎহন্নবা লুচিংবা অনিনা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা সহি তৌনখ্রে।

মমাংদা নে প্যি টো না ম্যান্মারদা লালহৌবগী কেম্পশিং লৈহন্দনবা কয়ারক হন্না থাজবা পীখি। অদুবু অশোয়-অঙাম থোক্লোইদবা মফমদগী বোম খরা কাপশিনবা নত্তনা থোইদোকপা মশক থোকপা থবক অমত্তা পায়খৎপা তৌখিদে। মদুনা মরম ওইদুনা ম্যান্মার আর্মিগা লালহৌবশিংগা খুৎশম্নরে হায়বা ৱাখল অমা ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা খন্নখি হায়রি।

হন্দক্তি যুম্লোন্নবা লৈবাক ম্যান্মারনা নিউ দিল্লিগী অপান্বা মওংদা দেমোক্রেসিদা মায় ওনশিল্লকপগা লোয়ননা মশানা পীখিবা থাজবা অদু থবক্তা ওন্থোরকপগুম্না উবা ফংলে। অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগা হেক থংননা লৈরিবা ম্যান্মারগী সগ্যাং দিভিজন্দা লৈবা মফম কয়াদা অসাম উলফা, মণিপুরগী পিএলএ অমসুং যুএনএলএফ য়াওনা য়ামদ্রবদা লালহৌলুপ ৯ গী কেম্পশিং লৈ হায়নসু পল্লি।

যুম্লোন্নরিবা লৈবাক অনি অসিনা পুন্না ইন্সরজেন্সি থেংনমিন্ননবা ৱাফম অসিদা নত্তনা ললোন ইতিক্কী, লম্বী-থোং শেমদুনা লৈবাক অনিনা শম্নবা অমসুং ইনর্জি য়েন্নবনচিংবা খোঙথাং কয়াদা নাকল অনিগী মরী হেন্না হৌজিক চেৎশিনহনখ্রে। লুপা মিলিয়ন ৫০০ কী শেল ইন্দিয়ানা পুথোকপা, বোর্দর এরিয়া দিভলপমেন্ট তৌবা অমসুং ইয়ার সার্ভিস য়াওনা এগ্রিমেন্ট ১২ হেন্না লৈবাক অনিনা সহি তৌনখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ম্যান্মারগী অনৌবা কোনুং নে প্যি টো দা থুংখিবা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা কা ১০০ লৈবা প্রসিদেন্সিয়েল পেলেসতা ম্যান্মর প্রসিদেন্ট থৈন সৈনগী মফমদা ইন্দিয়ানা যুম্লোন্নবা লৈবাক অসিগা ইকোনোমিক অমসুং দিভলপমেন্ট পার্টনরশিপকী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবগীদমক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্পি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

আর্মিগী লৈঙাক ওইরম্বদগী দেমোক্রেসি চংনহন্নবগী খোঙথাং লৌখৎখ্রবা মতুংদা ম্যান্মারদা লেপ্পা লৈতনা খোঙচৎ পাঙথোক্লরিবা লুচিংবশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা ডা: মনমোহন সিংহনা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার অনিমক্লা নাকল অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অনৌবা লম্বেল অমদা পুন্না চংশিনমিন্নরে হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।

মীখল পাঙথোক্নুনা মতম শাংনা পোলিটিকেল প্রিজনর অমা ওইনা লৈরুরবী ওপোজিসন লুচিংবী ওং সান সু চি বু পার্লিয়ামেন্টতা ফম্ফম অমা ফংহনখিবা অদুগুম্বা পোলিটিকেল রিফোর্মশিং হৌদোকপগীদমক্তসু ডা: মনমোহন সিংহনা ম্যান্মার প্রসিদেন্টবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লুচিংবা অনি অদুনা ম্যান্মারগা মিজোরামগা শম্নরিবা কলাদান মল্টি মোর্দেল ত্রান্সিট ত্রান্সপোর্ট প্রোজেক্ট অমসুং মিজোরামগী জুরিনপুইদা লেন্দ কষ্টম ষ্টেসন শাগৎনবা মফম লেপথোকপগী প্রোগ্রেস অদুসু রিভিউ তৌমিন্নখ্রবনি।